
# গোৱা পুলিসনা থাগৎলকখিবা চার্জসিটতা টেহলকাগী তরুন তেজপাল রেপ কেসতা চেন্নে হায়খ্রে

**পনাজি, ফেব্রুৱারি ১৭ ঃ** গোৱা পুলিসনা ঙসি নিয়মগী মতুং ইন্না তরুন তেজপালগী কেসকা মরী লৈনবা চার্জসিট থাগৎখ্রে। চার্জসিট অদুদা তরুন তেজপালনা মহাক্কা থবক তৌমিন্নবী নুপী অমা রেপ তৌখি হায়বগী মতিক চাবা প্রমান লৈরি হায়না পল্লি। চার্জসিট অদু ঙসি মেজিষ্ট্রেটে অদুদা পীখৎখিবনি। চার্জসিট অদুগী মতুং ইন্না ফাউন্দর এদিটর অদুনা নুপী অদু ইজ্জৎ মাংহনখি হায়না প্রমান তৌবা চে-চাং কয়াসু পীখৎখি। মদুগী মনুংদা নুপী অদুদা থাবা ঈ-মেল অমসুং অতোপ্পা ষ্টেটমেন্ট কয়াদা য়ুম্ফম ওইবনি হায়রি।

তরুন তেজপালনা নুপী অদুবু রেপ তৌখি। মহাক্কী ওফিসিয়েল ওইবা ফম অদুগী খুদোংচাবা লৌদুনা মহাক্কা থবক তৌমিন্নবী নুপী অদুবু বার্তন তৌদবা অমদি খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনবগী মরাল শিরি। করিগুম্বা তেজপালনা মরালগী মতুং ইন্না দন্দি ফংবা তারবদি মহাক খ্বাইদগী ৱাংবা চৈরাক অমা ওইরিবা মপুন্সি চুপ্পা ফাদোক তাবগী দন্দি ফংলবা য়াই হায়রি।

চহি য়াঙ্খে শুরবা তেজপালনা মহাক্কা থবক তৌমিন্নবী নুপী অমবু গোৱাগী ফাইভ ষ্টার হোটেল অমদা সেক্সুয়েল এসোল্ট চখখি। তেজপালগা নুপী অদুগা ঈ-মেলদা ফাওনখিবা ৱারোল অদুদসু মতিক চাবা প্রমান ওইরে। লোয়নন৷ মেগজিন অদুগী মেনেজিং এদিটর সোমা চৌধুরিনা ৱাফম অদু শোয়বদগী মীয়ামদা ফোংদোরকখিবগা লোয়ননা মহাক মশাসু মমাং চহিগী নবেম্বর ৩০ দা ফাগৎখি। গোৱা পুলিসকী চার্জসিট অদুদা নুপী জর্নেলিষ্ট অদুবু মহাক্কী মপাঙ্গুম্বা থবক পীরিবা মীওই অদুনা থাজবা মাংহনবগা লোয়ননা ইজ্জৎ মাংহনখি। পুলিসকী পাউ মতুং ইন্না থোকখিবা থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা নুপী জর্নেলিষ্ট অদুদা ৱাখলগী ওইবা অশোকপা অমদি থৌনা হন্থহনবগী ফিভম মায়োক্লরি। লামায় ২৮০০ পানবা চার্জসিট অদুদা ৱিটনেস ১৫২ গী ৱাফমসু পল্লি। মদুগী মনুংদা টেহলকা জর্নেলগী ষ্টাফশিংসু য়াওরি হায়রি। হোটেল অদুগী সি সি টিভি ফুটেজদগী ফংখিবা রেকোর্দশিংদা ৱাফম ওইবা কয়াসু চার্জসিট অদুদা



পল্লি।

ইং ২০১২ দা নহা ওইরিবী ছাত্রি অমা গেং রেপ চখখিবা অদুগী মতুংদা থৌদোক অদুনা খ্বাইদগী তমথিবা অমনি হায়না চার্জসিট অদুদা পল্লি। তরুন তেজপালগী কেস অদুদা ফংখিবা ফোটো রেকোর্দশিং লিগ ওইরকখিবা কয়াসু লৈ হায়রি।

# ইসরোনা অতিয়াদা মী পুবা ঙম্বা কেপসুল শেমগৎলি

**শ্রীহরিকোটা, ফেব্রুৱারি ১৭ ঃ** ইন্দিয়ান স্পেস রিছার্স ওর্গনাইজেসন্না মার্স গ্রহদা থিজিন হুমজিনবগী থবক পায়খৎখ্রবা মতুং সুন্দ্রংদা মীওইবশিং চৎননবগী ৱাফমদা মরুওইনা মীৎয়েং থল্লক্লি। পান্দম অদুগী মতুং ইন্না ইসরোনা সুন্দ্রংদা মী পুবা য়াবা কেপসুল শেমগৎপগী থবক চখ্যরি।

ইসরোগী অহৌবা খোংথাং অদুনা ইন্দিয়াগী এষ্ট্রোনোটশিং সুন্দ্রংদা চৎননবগী লম্বী অমা য়াৎলগনি। জিওসিনক্রোনাস লোঞ্চ ভেহিকল (জিএসএলভি) মার্ক-৩ না মীওইবশিং পুদুনা সুন্দ্রংদা চৎননবা হোৎনরি। মদু লৈবাক অসিনা মরন্নাই ওইনা শেমগৎচবা ক্রাইয়োজিনিক ইঞ্জিন দিভলপ তৌবগী শরুক অমনি হায়রি।

মার্ক - ৩ স্পেস ক্রাফ্ট অদু চৎলিবা চহি অসিগী ময়াই চল্লকপদা থাগৎনবা থৌরাং তৌরি। মদু ইসরোগী টেষ্টিং সেন্টর অমা ওইরিবা শ্রীহরিকোটাদগী কাপখৎকদবনি হায়রি। রোক্কেট অদুনা কেপসুল অদু পুদুনা সব-ওর্বিটতা থম্লনবা থৌরাং তৌরি। থাগৎকদবা স্পেস ক্রাফ্ট অদু চোক তৌবগী থবক চংশিল্লি। লোয়ননা কেপসুল অদুনা বে ওফ বেঙ্গলগী পোর্ট ব্লেয়ারদগী কিলোমিটর ৪০০ দগী ৫০০ ফাওবগী মনুংদা তারক্লবা থৌরাং তৌরি হায়না ইসরোগী চিয়ারমেন কে রধাকৃষ্ণননা ফোংদোরক্লি।

পায়খৎলিবা থৌরাং অদুগী শরুক অমা ওইনা মগুন লৈবা দোক্যুমেন্টশিং অদু ডা. জয়াকর ভেহদামানিকমদা লানখৎখ্রে হায়রি। প্রোজেক্ট অদুগীদমক ইসরোনা লুপা ক্রোর ১২৫০০ দরকার লৈ হায়রি। সরকারনা অয়াবা পীখ্রবা মতুং চহি তরেৎকী মতুংদা ইন্দিয়ান এষ্ট্রোনোটশিংনা সুন্দ্রংদা চৎননবগী খুদোংচাবা ফংলবা য়াই। কেপসুল অদুনা নুমিৎ তরেৎনি সুন্দ্রংগী লমদমদা কোয়গনি। পৃথিবীগী ওর্বিটকী কিলোমিটর ১৬০ ৱাংবা মফমদা কেপসুল অদুনা পাইননবা থৌরাং তৌরি। মদুগী মনুং চন্না কেপসুল অদুনা সুন্দ্রংদা মিনিট ৮৮ লৈগনি। লোয়ননা কিলোমিটর ২০০০ ৱাংবা মফমদা পাইগনি হায়রি।

## অচুম্বদু খঙমিন্নসি

### ঙল্লিঙৈ মতমগী লৈবাক ৱা-২

*মালেম লৈকোইপুংসিগী হৌজিক হৌজিক ওইরিবা লৈবাকশিংগী ফিভম, লৈঙাক্লোন, চৎন-লোনচৎ কয়া অসি য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমগী লৈখিবা ফিভমগদি পুরা খেন্নবা হায়বসি মশানা তাজরবা ৱাফমনি। মতমদুদা ওইখিবা মীওইগী সভ্যাতা অদু কমদৌবজাৎনো হায়বদু খঙমিন্নসি।*

***এন্সিয়েন্ট ইজিপ্ট ঃ*** *ইজিপ্ট হায়বা লম অসি নাইলগী লৈতেম মান্নবা লমদমদা লৈ। ৩২০০ বি সি অদুৱাইদগী ইজিপ্ট হায়রিবা নাইল ভেল্লি অসি সিঙ্গল ষ্টেট ওইনা লৈঙাক্লম্মী। মতমদুদা দাইনেষ্টি ৩০ লৈরম্মী। ফারাওস হায়বা মতমদুদা নিংথৌ ওইনা অদুগা ঈশ্বর ওইনা খঙনবা কাংবুনা লৈঙাকই। মরিশুবা দাইনেষ্টিগী মতম ২৫৭৫ দগী ২৪৬৭ বি সি ফাওবগী মনুংদা পিরামিদশিং অসি শাখি। পিরামিদশিং অসি মফমদুদা পানখিবা নিংথৌশিংগী নীংশিং ফুরা ওইনা শাখিবনি। দি গ্রেট পিরামিদ ওফ গিজা হায়না খঙনরিবা পিরামিদ অসি চহি লিশিং মরিমুক্তি মসিনা খ্বাইদগী ৱাংবা বিল্ডিংনি হায়না লৌনরম্মী। অদুগা দি গ্রেট পিরামিদ অসি হৌজিক ফাওবদা ফিভম কায়দনা লৈহৌরিবা অমত্তা ঙাইরবা মালেমগী অঙকপশিংগী মনুংদা অমা ওইদুনা লৈরি। ইজিপসিয়ানশিং অসি মখোয়গী হায়াগ্লিফিক রাইটিংগীদমক মমিং চৎলি। য়াম্না শক্তি লৈখিবা লৈবাকশিংনা তাখিবা দষাগুম্না এন্সিয়েন্ট ইজিপ্টসু ৩৩২ বি সি দা অলেকজেন্দর দি গ্রেটনা লান্দাদুনা লৈপাকসিগী মপাঙ্গল হন্থহনখি।*

# কাংলুপ অনিগী মরক্তা ইরাং থোকপদগী মীওই ২ শিরে, য়ুম ৩০ মাংহন-তাকহনখ্রে

**উধগমন্দলম, ফেব্রুৱারি ১৭ ঃ** বদাগা ট্রাইবশিংগী মরক্তা মতম শাংনা লৈরক্লবা লমগী ৱাথোক অমসুং লাই খুরুম্বা থৌদোক্কা মরী লৈননা কাংলুপ অনিগী মরক্তা খৎন-চৈনবা থোকপদগী মীওই অনি শিরে, অদুগা ৬ না অশোক অপন নংখ্রে।

থৌদোক অদু বগাদা ট্রাইবশিংগী খুঙ্গংগী লাইশং অমদা থোকখিবনি। থৌদোক অদুদা মীওই অনি শিখি। লোয়ননা য়ুম ৩০ রোম মৈ থাদুনা মাংহন তাকহনখি। নাঞ্জানাদু খুঙ্গংদগী কিলোমিটর ২০ লোম চৎলগা লৈবা মফম অদুদা থোকখিবা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা পুলিসনা মীওই ১৭ ফাগৎলে। ফাগৎখিবা মীওইশিং অদু হৌজিক পুলিস কষ্টদিদা থম্লি।

থৌদোক অদুদা শোকখ্রবা মীওই ৬ লমদম অদুদা লৈবা সরকারগী হোস্পিতাল অমদা লায়েংলি। লমদম অদুদা লৈবা সিবগী লাইশং অমদা লাই খুরুম্বা লাকখিবা মীওইশিংগী মরক্তা কাংলুপকী ওইবা ইরাং অদু থোকখিবনি। লমদম অদুগী মীওই ১৫০০ রোম্না মফম অদুদা লাই খুরুম্বা লাকখি। মদু চহি কয়াগী মমাংদগী মীওইশিং অদুনা চখরকখিবা লাই খুরুম্বগী থৌওং অমনি। অদুম ওইনমক থাঞ্জ নুমিৎকী নুমিদাংদা কাংলুপ অনিগী মরক্তা লাই খুরুম্বা অদুগা মরী লৈননা য়ান্নদবা কয়া থোরকপদগী ইরাং অদু থোকখি।

থৌদোক অদুদা কাংলুপ অমগী মীওইশিংনা অতোপ্পা কাংলুপ অমদা এটেক চখবদা মীওই ২ শিখি। অদুগা মীওই ৩০ রোম্না অশোক অপন নংখি হায়রি। থৌদোক অদুদা নহা ওইরিবা মীওই অনি কা হেন্না অশোক-অপন নংখি। নুমিৎ অদুগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৩.৩০ রোম তাবদা থোকখিবা থৌদোক অদুদা মীওই ২ অদু শিখি। মীওই অনি শিখিবা অদুগা মরী লৈননা কাংলুপ অমগী মীওইশিং পুনশিন্দুনা মীফম পাংথোকপগা লোয়ননা অশাওবা ফোংদোক্তুনা নরুবদা লৈবা য়ুম ২০ লোম মৈ থাখি হায়রি।

# সমঝৌটা ব্লাষ্ট ঃ চহি ৭ হৌখ্রবা ফাওবদা মীওই ১৯ মশক খঙদনা লৈরি

**চান্দিগর, ফেব্রুৱারি ১৭ ঃ** সমঝৌটা এক্সপ্রেস ট্রেন্দা বোম অনি মথং মথং পোকখায়খিবা থৌদোক্তা লৈখিদ্রবশিং চহি ৭ হৌখ্রবা ফাওবদা মীওই ১৯ দি মশক মমিং খঙদনা লৈরি। মশক খঙখিদ্রবা মীওইশিং অদু পানিপটকী পোৎলোইফমদা পুন্না পোৎলোইখি। মতম অদুমক্তদা লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুংশিংনা দেঠ সার্টিফিকেট লৌননবা কোয়চেন-চেন্নখিবনি।

থোকখিবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবশিংগী মনুংদা মীওই ৬৮ দি পাকিষ্টান্দগী লাকখিবশিংনি। পাকিষ্টান অমসুং ইন্দিয়াগী মরক্তা চেনখিবা ট্রেন অদুদা ইং ২০০৭ কী ফেব্রুৱারী ১৮ অমসুং ১৯ গী লোন্নবা অহিংদা বোম অনি মথং মথং পোকখায়হল্লকখি। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওই ৪৫ গী মশক মমিং খঙবা ঙমখ্রে। অদুগা মীওই ২৩ গী হকচাংনা মীয়াম পুন্না পোৎলোইখিবা অদুদা য়াওখি। মদুগী মনুংদা মীওই ১৯ দি ঙসি ফাওবা মশক মমিং খঙদনা লৈরি হায়রি।

নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সিনা চহি মরি চুপ্পা থিজিন-হুমজিনবগী থবক চখখ্রবা মতুং মমাং চহিগী জুনগী তাং ২০ দা থৌদোক অদু



কাংলুপ মরিনা ঙমখৈগী লমদম অদুদা সমঝৌটা এক্সপ্রেস অদুদা পোকখায়হনবগী থৌদোক অদু থোকহনখিবনি হায়না ফোংদোরক্লি। অদুম ওইনমক হায়দ্রবাদকী ফোরেন্সিক লেবোরেটরিগী মতুং ইন্না লৈখিদ্রবশিংগী দি এন এ রিপোর্টতসু নীংথিনা মশক খঙবা ঙমদ্রি হায়রি।

থোকখিবা থৌদোক অদু হায়দ্রবাদ অমসুং ইন্দিয়া গভর্নমেন্টকী ওইনা ইকায়নিংঙাই ওইবা থৌদোক অমনি। থৌদোক অদুদা ইমুং অমগী মীওই মরি পুন্না শিখি। মদু দি এন এ গী রিপোর্ট থেংথনা ফংবনা মরম ওইরগা লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংশিংনা দেঠ সার্টিফিকেট ফংবা ঙমখিদে হায়না ফোরেন্সিক লেবোরেটরিগী মোমিন মালিকনা ফোংদোরক্লি। রাহিলা কৌবী নুপীমচা অমা থোকখিবা থৌদোক অদুদা মহাক্কী মপা মহম্মদ ভাকিলগা পুন্না শিখি। হিরম অদুদা সরকারনা মহাক শিখ্রে হায়বগী সার্টিফিকেট পীখিদে। লোয়ননা থিগৎপগী থবকসু চখখিদে হায়রি। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা হৌজিক মীওই ৯০ জেলদা লৈরি হায়রি।

# আর বি আই না পোৎকী মমল চাং চানা লেপহনবা চিদম্বরমনা পামলি

**নিউ দিল্লি, ফেব্রুৱারি ১৭ ঃ** রিজার্ব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়ানা পোৎকী মমল চাং চানা থম্নবা অমদি মখোয়গী শেল থুমগী ফিভম ফগৎনবা শেল থুমগী ওইবা থৌরাং অমা লৌখৎপা তঙাইফদে হায়না ফাইনান্স মিনিষ্টর পি চিদম্বরমনা ঙসি নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোংদোরক্লি।

ৱাফম অদু মিনিষ্টর অদুনা লৈবাক অসিদা পোৎকী মমল হেনগৎলকপদা নুংঙাইতবা পোকপগা লোয়ননা ফোংদোরকখিবনি। আর বি আই না খঙহৌদনা মখোয়গী শেন্দোয়গী চাং থা অহুমদা চাদা ৮.০০ দা হেনগৎনবা মমাং থাদা ৱারেপ লৌখ্রে। অহুম্লকশুবা ওইনা ৱারেপ অদু লৌখিবনি। মদুনা মরম ওইরগা ইনফ্লেসনগী চাং হেনগৎহল্লে হায়রি। মদুনা মরম ওইরগা পোৎকী মমলগা চান্নদনা মমল হেনগৎহনবগী খুদোংচাদবা অমা মায়োক্লরি।

আর বি আই গী পেন্নেল অমনা ইনফ্লেসনগী চাং অদু খন্নগদবনি। লোয়ননা লৈবাক অসিগী পোৎকী মমলশিং চপ চাবা চাং অমদা লৈহন্নবা পোলিসি অমা পুথোক্কদবনি হায়না ফাইনান্স মিনিষ্টর পি চিদম্বরমনা ঙসি পার্লিয়ামেন্টতা ইন্টরিম বদজেটকী মতাংদা ফোংদোকখ্রে।

মীশিং হেনগৎলকপগী মতুং ইন্না পোৎকী মমল হেনগৎলকপগী চাং অদু ময়াই ওইবা চাংদা খাংবা দরকার লৈ হায়না মিনিষ্টর অদুনা ফোংদোরক্লি। লৈবাক অসিনা শেল থুমগী ফিভমদা অৱাংবা আশা তৌরি। মদুগা মরী লৈননা ময়াই ওইবা চাংদা পোৎকী মমল হেনগৎলকপা অদু চেকশিন্না য়েংবা দরকার লৈ হায়না ফাইনান্স মিনিষ্টর পি চিদম্বরমনা মখা তানা ফোংদোরক্লি। তুংদা মীয়াম্না য়াদুনা খল্লকখিবা সরকার অসিনা শেল থুমগী ফিভম চাওখৎহন্নবা হোৎনরি হায়না পাউমীশিংদা ফোংদোকখি।

রিজার্ব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়ানা মখোয়গী ওইবা থৌশিল পায়খত্তুনা লৈবাক অসিদা শেল থুমগী তংদু-লৈতাবা অমা পুরক্লবা হোৎনবা দরকার লৈ হায়খি।


**Original Admit Card Lost**

I have lost my Original Admit Card of Class XII (Sc.), bearing Roll No. 5931 of 2004 Examination issued by Council of Higher Secondary Education, Manipur.

The said Admit card was misplaced. So, I request the concerned authority to kindly issued a duplicate of the said Admit Card.

*Sd/-*
**Ningthoujam Sunibala Devi**
D/o. N. Nabakeshwor
Khangabok Near Sugar Factory, Thoubal
Contact No. 8794515201

*SL/C-1171/18*


# নরেন্দ্র মোদি প্রাইম মিনিষ্টর ওইবদা মতিক চাদে ঃ এক্স-জজ

**অহমেদবাদ, ফেব্রুৱারি ১৭ ঃ** মুম্বাই হায় কোর্টকী জজ ওইরম্বা হোসবেদ সুরেশনা ঙসি নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোংদোকখিবদা, বি জে পি গী প্রাইম মিনিষ্টরগী কেন্দিদেট ওইরিবা নরেন্দ্র মোদি প্রাইম মিনিষ্টর ওইবদা মতিক চারোই। মহাক্তি কাংলুপ নাইবা মীওই অমনি হায়না ফোংদোরক্লি।

ৱাফম অদু মহাক্না পব্লিক য়ুনিয়ন ফোর সিভিল লিবরটিজনা শিন্দুনা পাংথোকখিবা লাইরিক ফোংবগী থৌরমদা ফোংদোকখিবনি। লাইরিক ফোংবগী থৌরম অদুদা জষ্টিস সুরেসনা হায়খিবদা মোদি আর এস এস প্রচারক ওইনা হৌরকখিবনি। মহাক্না পৃথিবীগী ওইবা কাংলুপকী ইরাংদা সপোর্ট তৌদুনা লাকখি। মহাক লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টরগী ফম পায়বদা মতিক চাদে হায়খি।

মহাক্না গুজরাটতা চিফ মিনিষ্টর অমা ওইরক্লবা মতুং রাম মন্দিরগী মতাংদা পুখৎলকখিবা ৱাফমশিং নাথৈদুনা থমখি হায়রি। মোদিনা প্রাইম মিনিষ্টর অমা ওইরক্লবদি ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসনবু আর এস এস কী কন্সটিট্যুসনগা চয়েৎনবা থোকহনগনি। মহাক্না মখা তানা ফোংদোকখিবদা এদোল্ফ হিটলরনা লুচিংদুনা ৱার্ল্ড ৱার থোকহনখি। মদুগা মান্ননা মোদিনা লৈবাক অসিবু লমজিংলক্লবদি পাকিষ্টান নত্রগা চিনাগী মরক্তা লান অমা থোকহল্লকপা য়াই। মোদিনা কৈদৌনুংদসু য়ুরোপকী লৈবাকশিংদা কোয়খিদ্রি। মদুনা মরম ওইরগা ইং ২০০২ দা গুজরাটতা কাংলুপ অমা মাংহনবা য়াবা মওংদা ইরাং থোকখি। ঙসি পাংথোকখিবা থৌরম অদুদা গুজরাটকী অচুম্বা হায়বা লাইরিক অমসু প্রোফেসার হেমন্তকুমারনা রিলিজ তৌখি।

# শৈশকপী জসবিন্দর নরুলা এএপিদা য়াওখ্রে

**নিউ দিল্লি, ফেব্রুৱারি ১৭ ঃ** ইং ১৯৯৯ দা ফিল্ম বেষ্ট ফিমেল প্লেবেক এৱার্দ ফংখ্রবী "পয়ার টো হোনা হি থা" গী শৈশকপী জসবিন্দর নরুলা এ এ পি দা য়াওখ্রে।

এ এ পি দা য়াওখ্রবী জসবিন্দর নরুলানা ফোংদোকখিবদা, মহাক ফ্রিদম ফাইটর ওইরম্বা সভাকরগী মতাংদা পুথোকখিবা প্রোজেক্ট অদুদগী লৈবাক অসিবু নুংশিবগী ৱাখল পোকহল্লকখি। ফ্রিদম ফাইটরশিংনা লৈবাক অসিগীদমক কয়ারক হন্না কথোকখ্রে। মখোয়গী মতৌ তমদুনা লৈবাক অসিগীদমক করিগুম্বা খরা তৌনবগী ৱাখল ফাওরকখি হায়না ফোংদোরক্লি। মদুনা মরম ওইরগা মহাক্না পোলিটিকেল পার্টি অমা ওইরিবা এ এ পি দা য়াওননবগী ৱাখল অদু পোকহল্লকখি। নরুলানা মীসন কাশ্মির, মুহাবটেন, ফিরভি হে হিন্দুষ্টানি অমসুং বন্টি ওর বব্লি ফিল্মশিংদা ঈশৈ শকখি। মহাক্না পার্টি অদুদা য়াওরকপদা পোলিটিকেল এফিয়ার্স কম্মিটিগী মেম্বর অমনা হায়খিবদা মহাক্কী ঈশৈশিংনা লৈবাক অসিবু মপাঙ্গল কনখৎহল্লগনি হায়রি।

# ২০১৩ গী অরোয়বা ফাওবদা টেলিফোন সবস্ক্রাইভর মিলিয়ন ৯১৫ য়ৌখে

**নিউ দিল্লি, ফেব্রুৱারি ১৭ ঃ** ইন্দিয়াদা টেলিফোন শীজিন্নবগী চাং অসি থা অমদা চাদ ০.৫৬ গী চাংদা হেনগৎলকখিবনা মরম ওইরগা ২০১৩ গী নভেম্বর থাদা লৈবাক অসিদা অপুনবা টেলিফোন শীজিন্নরিবা মীওইগী মশিং মিলিয়ন ৯১০.১৪ ওইরম্বদগী ২০১৩ গী দিসেম্বরগী অরোয়বা ফাওবদা মিলিয়ন ৯১৫.১৯ য়ৌখ্রে হায়না পি আইবীগী পাউ অমনা হায়রি।

হায়রিবা টেলিফোন শীজিন্নবগী চাং অসি পুন্না চাংচত্তা য়েংবদা থা অমদা চাদ ০.৫৬ হেনগৎপগী চাংনি। টেলিফোন সবস্ক্রাইভরশিংগী মতাংদা ট্রাইনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না সহরগী লমদমদা লৈরিবা মীওইশিংনা শীজিন্নরিবা টেলিফোনগী চাং অসিমদি হান্না ৬০.০৬ লৈরম্বদগী খজিক্তং হন্থরগা ৬০.০৩ গী চাংদা হন্থদুনা লৈরি। অদুবু খুঙ্গংগী লমদা টেলিফোন শীজিন্নরিবগী চাং অসিদি চাদ ৩৯.৯৪ ওইরম্বদগী চাংদা ৩৯.৯৭ অসি ২০১৩ গী দিসেম্বর থা খক্তদা খংহেন হেনগৎলকপা থেংনখি হায়না পাউ অদুনা মখা তানা হায়রি।

হায়রিবা টেলিফোন শীজিন্নবগী চাং অসিদা ৱায়ার্লেস সবস্ক্রাভর বেস অসি ২০১৩ গী নভেম্বর থাদা ৮৮১.১৩ ওইরম্বদগী ২০১৩গী দিসেম্বর লোয়বদদি মীলিয়ন ৮৮৬.৩০ য়ৌখি। মসিদা হেনগৎলিবগী চাং অসি চাদ .৫৯ গী চাংনি। মসিদা অমুক য়েংলুবা তারগদি সহরগী ৱায়ার্লেস সবস্ক্রাইবরশিংগী চাং অসি খরা হন্থরগা চাদ ৫৯.৪৫ ওইরম্বদগী ৫৯.৪২ গী চাংদা হন্থরকখি অদুবু খুঙ্গংগী ৱায়ার্লেস টেলিফোনগী সবসক্রাভরশিংগী চাং অসিদি অমুক খরা হেনগৎখি। মসিনা তাকপদি হৌজিক মোইবাল টেলিফোন শীজিন্নবা হায়বদু ৱায়ার্লেস টেলিদেন্সিটিগী চাং অসি হান্না ৭১.৩৪ ওইরম্বদগী ৭১.৬৯ দা হেনগৎলে হায়বসি খঙবা ঙম্মী হায়রি।


Government of Manipur
**DIRECTORATE OF TOURISM**

**NOTICE**

*Imphal, the 14th February, 2014*

**No. 4/456/2014-DTSM (Pt):** It is hereby notified that the request for proposal (RFP) floated vide this office notice of even no. dated 29-1-2014 in connection with selection of professional consultant for providing professional service for Tourism related assignments stands cancelled.

**(Th. Chitra Devi)**
Director (Tourism), Manipur.

*SL/Bill/18*


# দিল্লিগী সরকার শেম্নবা বি জে পি দা শৌগৎলোই ঃ কেজ্রিৱাল

**নিউ দিল্লি, ফেব্রুৱারি ১৭ ঃ** আম আদমী পার্টিগী লুচিংবা আরবিন্দ কেজ্রিৱালনা দিল্লিদা সরকার শেম্নবগীদমক ভারতিয়া জনতা পার্টিদা শৌগৎলোই হায়না ফোংদোকখ্রে।

বি জে পি গী লুচিংবা প্রসান্ট ভুসননা মমাংদা ফোংদোকখিবা ৱাফম অদু মহাক্কী লন্নাই ওইবা ৱাফমনি। প্রসান্ট ভুসননা মমাংদা পার্টি অদুগী মীফম পাংথোক্তুনা বি জে পি নত্রগা কংগ্রেসতা শৌগত্তুনা সরকার শেম্বগী মতাংদা ফোংদোকখিবা ৱাফম অদু মহাক্কী ওইবা ৱাফমনি। ভুসননা মমাংগী নুমিদাংদা টি ভি চেন্নেল অমদা ফোংদোকখিবদা ভারতিয়া জনতা পার্টিনা অইবা চেরোল পীরক্তুনা পার্টি অদুদা শৌগৎলক্লবা অমদি জন লোকপাল বিল পাস তৌহনগনি হায়না ফোংদোরক্লবদি শৌগৎনবা খন্নগনি হায়না ফোংদোকখিবনি।

মহাক্না মমাংদা ফোংদোকখিবা ৱাফম অদু ফিভম অমগী মখা পোন্না হায়খিবনি। বি জে পি না আম আদমী পার্টিগুম থবক তৌবা ঙম্লবদি শৌগৎপা য়াই অদুম ওইনমক পার্টি অদুনা এ এ পি গুম্না থবক তৌরকপা হায়বা অদু ওইথোক্লোই হায়না পাউমীশিংদা ফোংদোরক্লি।



সরকার শেম্বগী মতাংদা হংলকপা ৱাহং অমগী পাউখুমদা এ এ পি গী কেজ্রিৱালনা হায়খিবদা, দিল্লি এসেমব্লিদা খ্বাইদগী মশিং য়াম্না সিট ফংখিবদি বি জে পি নি। মখোয়না সরকার শেমগদবনি। অদুগা কংগ্রেসনা শৌগৎকদবনি হায়না ফোংদোকখি। বি জে পি মীয়ামগী অপাঙ্বগী মতুং ইন্না খ্বাইদগী মশিং য়াম্না ফংবা পার্টি ওইখি। মখোয়না কংগ্রেসকী মতেংগা লোয়ননা সরকার শেম্নবা হোৎনগদবনি হায়না ফোংদোকখি। আম আদমী পার্টিগী প্রসান্ট ভুসননা ফোংদোকখিবদা দিল্লিদা পার্টি অদুনা সরকার শেমগে হায়না ক্লেম তৌখিদবনি। মখোয়গী পার্টিনা ওপোজিসন অমা ওইনা লৈবদু পামখিবনি হায়রি।

হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা পার্টি অদুনা দিল্লিদা সরকার শেম্নবগীদমক বি জে পি নত্রগা কংগ্রেসতা শৌগৎপগী ৱাফম লৈতে। লোয়ননা লৈবাক অসিদা অতোপ্পা রাজনীতিগী থৌশিল অমা দরকার লৈ হায়না ফোংদোরক্লি।

হৌজিক ওইরিবা রাজনীতিগী ফিভম অদু য়াজবগা লোয়ননা দিল্লিদা তম্বা ঙমদবা সরকার অমা লাকপা য়াই। অদুম ওইনমক আম আদমী পার্টিনদি কংগ্রেস নত্রগা বি জে পি দা সরকার শেম্নবগীদমক শৌগৎলোই হায়রি।

দিল্লিদা কেজ্রিৱালনা ফম থাদোকখ্রবা মতুং এ এ পি অমসুং বি জে পি দা হৌখিবা নুমিৎ নিনিদগী নে তাদবা ফিভম অমদা লৈরি। সিট ৭০ লৈবা দিল্লি এসেমব্লিদা পাঙথোকখিবা মীখল অদুদা পার্টি অমত্তনা চপ চাবা মেজোরিটি ফংবা ঙমখিদে। মীখল অদুদা বি জে পি না খ্বাইদগী মশিং য়াম্না ফংবা পার্টি অমা ওইনা সিট ৩১ ফংখি। মখোয়দা অকালি দলগী মেম্বরশিংনা সপোর্ট তৌরম্লবদি সরকার শেম্না য়াবা মশিং ৩৬ অদু য়ৌরম্বা য়াবনি। অমরোমদা এ এ পি না সিট ২৮ ফংদুনা কংগ্রেসকী মথক্তা লৈখি। অদুগা কংগ্রেসনা সিট ৮ ফংখি। জে দি য়ু না দিল্লিগী মুন্দাকা সিট ফংখি। অদুগা অতোপ্পা ইন্দিপেন্দেন্ট কেন্দিদেট অমনা সিট অমা ফংখিবনি।


8 GB pendrive free on HP 1510 all in one printer @ 3890/- limited stock

Introducing PROJECT 21

* Free Xerox facility for undergraduate student Paper charge extra.
* Eco friend recycling toner exchange offer with old toner with new one at amazing Price

Experience the power of Desktop
- Intel Daul core ,Hdd 160 Gb,Ram 2Gb DDR3, Intel chipset Mainboard,15.6" LED monitor, -@ 15,700/-
- Intel core 2 duo ,Hdd 160Gb,Ram 2 Gb DDR3, Intel chipset Mainboard,15.6" LED monitor, -@ 16,800/-
- Intel core i3 3rd gen, Hdd500Gb,Ram 2 Gb DDR3, H61 Mainboard,15.6" LED monitor, -@ 24,800/-

UPS FREE @ 1,600/- On every Desktop

Laptop HP 1000 :- AMD Daul core , 2GB Ram , 500GB , Windows 8 @ 25299/-

Laptop HP 2000 (2d28tu) i3 3rd gen, ram 2gb, 500 gb , 15.6" screen @ 31,399/-
Laptop Asus FX1110 AMD dual core , ram 2gb, 500Gb , 15.6" screen @ 21,299/
Laptop Samsung N300 i3 3rd gen,ram 2gb , 500gb, 15.6 screen @ 29500/-

Kyocera Digital Xerox machine with printer card and colour scan Task alfa 1800 @ 47000/- ( by order )

Please visit 8575257697
S.K .TECHNOLOGY
3rd floor Bajaj TLC Building, opp UBI bank
Thangal bazar M.G. Avenue, Imphal west

16GB pendrive free on every Laptop
Condition apply